## নিংঙোল চাক্কৌবগী হেন্দলুম এক্সপো পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : লৈঙাক্কী দিরেক্টরেট ওফ হেন্দলুমস এন্দ টেক্সটাইলসনা নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা নিংঙোল চাক্কৌবা ষ্টেট লেভেল হেন্দলুম এক্সপো ২০২০ থা অসিগী ১৩দগী হৌরগা ২৬ ফাওবা নিলকুথিদা লৈবা অর্বান হাটতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা অহানবা লাকপা মীওইশিংদগী ষ্টোল ৩০ খক্তমক ফমহনগদবা এক্সপো অসিদা শরুক য়ানীংবা ৱিভরস, এৱার্দিস, সোসাইটিজ অমসুং এসোসিএসনশিংনা থা অসিগী ৭ ফাওবগী মনুংদা এপ্লিকেসন পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 87.068307 |
| US Dollar | 74.403236 |
| British Pound | 96.685890 |
| Australian Dollar | 53.083489 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.139622 |
| Japanese Yen | 0.710604 |
| Malaysian Ringgit | 17.902391 |
| Singapore Dollar | 54.654935 |
| South Korean Won | 0.065764 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.840863 |
| Thai Baht | 2.396107 |
| Myanmar Kyat | 0.05789 |
| Bangladesh Taka | 0.87697 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 50885.00 |
| Mumbai | – | Rs | 51000.00 |
| Delhi | – | Rs | 50920.00 |
| Kolkata | – | Rs | 51264.00 |


## GAS NEWS

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
BOOKING UPTO : 10/09/2020
VALID FROM : 05/09/2020
***STK. : 306***
TIME : 7:00AM -10:00AM
HOME DELIVERY DATE 04/11/2020
CONTACT NO. 7005695308, 6009772483

**M/S K&K INDANE SERVICE**
Booking upto sl.no.150 A&B of 23/09/2020
Valid from : 15/09/2020
Time : 7.30am to 11.00am

**PATSOI INDANE**
BOOKING UPT0 : 15/09/2020
VALID FROM : 08/9/2020
***STOCK : 306 (DBTL ONLY)***
TIMING : 8.00AM TO 10.00AM
HOME DELIVERY CONTACT NO. 9383082751 & 8259013598

**CANCHI INDANE SERVICE**
BOOKING UPTO : 26/09/2020
VALID FROM : 20/09/2020
19kg AVAILABLE
TIMING : 08.00am to 10.00am

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM : 11/08/2020
BOOKING UPTO : 14/08/2020
BOOKING ONLY : 03852444677
ENQUIRY ONLY : 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking upto : 28/09/2020
Valid from : 05/09/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8.00am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

**MAIBIA GAS MOIRANG**
BOOKING UPTO : 19/09/2020
VALID FROM :18/09/2020
***STOCK= 612***
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1. DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2. AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3. AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

**IMPHAL LPG SERVICE**
Home Delivery upto 02/11/2020
Submit house no. LPG ID no Address with land mark also degital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry number 6009392991 8014389420 9612718751 Enquiry time 8.30 to 1.pm please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING : 7:00AM TO 12:00NOON
BOOKING UPTO : 17/09/2020
VALID FROM : 06/09/2020
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 8131852580, 9774722106, 9089370369
WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM 7630902992
FOR YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM, MONGSANGEI, LANGTHABAL SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM 7627968997
FOR LANGOL URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 8131942156
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 9862792731 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS


# ইরং থোং তেকখিবগী তেকচাক ৱর্ক এজেন্সি অমদি বি জে পি লৈঙাক্না পুগদবনি : এ আই টি য়ু সী

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল জিরি লম্বীদা লৈবা ইরং তুরেলগী থোং থা অসিগী হৌখিবা ১দা খঙহৌদনা তেকপদগী রেল লম্বী শেম্মবগীদমক দিমাপুরগী লৈঙোই পুরকপা টাটা দিপ্পর অমা ঈমাই থন্না চেল্লিবা ইরং তুরেলদা তাশিনখিবদগী মরাইবক থীরবা দ্রাইভর অদু হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রি। খুদোংথীবা থৌদোক অদুগী তেকচাক লম্বী অসিবু শেমজিন-শাজিনবগী থবক তৌরিবা নেসনল হায়ৱে এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর কোর্পোরেসন লিমিটেদ অমদি বি জে পি লৈঙাক্না পুগদবনি হায়না ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী) গী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা লৈঙাক হেক পায়বগা মণিপুরদা লৈরিবা নেসনল হায়ৱেশিং অসি খ্বাইদগী অফবা টোপ ক্লাসকী লম্বী অথুবা মতমদা ওইহনগনি হায়না হায়ৱেগী মিনিষ্টর নিটিন গদকরিনা লাউথোকখিবা ঙসি ফাওবা কাউনদ্রি। ঙমনি হায়রগা মখো পোংনা লাউথোকখিবা অদুগী থৌদাং লৈঙাক অসিনা পুক্ষম থোক্তব্রা হায়নসু হংলক্লি। ষ্টেট অসিগী লান মমাঙগী চহী য়াম্লবা থোংশিং অসি মতিক চানা শেমজিনবীনবা অমসুং অনৌবা আর সী সীগী থোং শাবীনবা কয়ারক হন্না লৈঙাক্তা মতম থা থাদুনা এ আই টি য়ু সী য়াওনা তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী লাইগী শোয়দনবা শেল চাউনা ফংহৌরগা লোইরে খনবা কন্ট্রেক্টর এজেন্সিগী খয়াৎতা তারগা লৈরে। হায়রিবা ইরং থোং অসি মতম খরগী মমাঙদা শেমজিনখিবতা ঙাইরি। অদুগা করিগী শেন্না লোইখিবদা ঙাইরিবা থোং অসি করম্না খুদোংথীবা থোকহল্লিবনো হায়বসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থিগৎফম থোকই। মণিপুরগী পুকচাক পুরক্নবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা নেসনল হায়ৱে অনী হায়বদি ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী অমসুং ইম্ফাল জিরি লম্বী অনীগী মওং অসিদি হায়নীংঙাই লৈতনা ফত্তবা লম্বী ওইরে। নোং খজিক্তং চুবগা চীং নিংখাইরে, লম্বী ফাওনদ্রে হায়বা, থোং তৎলে হায়বগী ৱাফম ঙাক্তা তাদুনা লৈরে। মসিদা খ্বাইদগী খুদোংথীবা নংলিবসি গাড়ীশিং অসিবু থৌরিবা দ্রাইভরশিং অমসুং হেন্দীমেনশিং অসিনি। হায়রিবা লম্বী অসিদা ঙসি ফাওবদা দ্রাইভর অমসুং হেন্দলমেন কয়াগী পুন্সি পিখল্লহনখ্রে, কয়া অমনা শোয়নাইদুনা পুন্সি হিংলি হায়রি।

চেরোলসিনা হায়, গাড়ীগী এক্সিদেন্ট থোকপা, লোক্তা তাশিনবা, তুরেলদা তাশিনবা অসিগী মথক্তা লম্বী অসিদা লৈরিবা লালহৌবশিংগী শেলখায় থুমখায়, অওৎ অনৈ, হাৎপা-তুপ্পা অসিগী মথক্তা লম্বীসিগী মপান্দা তারিবা মীশিং অসিগী মরক্তগী হুরান-চিন্থি, ফূবা চৈবা, গাড়ী মৈ থাদোকপীবা কয়া ঙসি ফাওবা হায়রিবা মরাইবক থীরবা শিন্নীশিং অসিনা খাঙদুনা লাক্লি। মরম অদুনা লৈঙাক্না খুদক্তা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু চেরোলসিনা মখা তারি।

# আই সী পি বাইপাস রোদকী নাক য়েৎতা তারিবা য়ূমশিং ইভিক্সন তৌবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর এম রাজকুমার, তেংনৌপল এস পি টি ঐচ বিক্রমজিৎ, এ দি সী মোরে এল মনিকান্ত, এস দি ও মোরে ইরেংবম দিনেস কুমার, এ এস পি (ওপস) তেংনৌপল টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বী, এ এস পি (এল ও) মোরে শাঙবোই গাংতে, এ এস পি (ওপস) মোরে টি এম অমিৎ য়াওনা য়াম্লবা সিক্যুরিটি পর্সনেল কয়ানা মোরে কোলেজ মনাক্কী এম চানৌ ভিলেজতগী আই সী পি ফাওবগী মনুংগী নাক য়েৎতা লৈরিবা য়ূম অমদি দুকান কয়া অমা জে সী বি ২ শীজিন্নদুনা তকথোকপগী থবক চথবা হৌখ্রে।

হান্নদগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবা মোরে আই সী পি বাইপাস রোদ ষ্ট্রকচর এন্দ লেন্দ কম্মিটিগী মীওইশিংবু দি সী অমদি এস পি তেংনৌপলনা অককনবা মতম অমা থাদুনা প্রোটেষ্ট তৌরিবশিং মফম অসি থাদোক্নবা খঙহনবদগী খোঙজং চঙশিল্লম্বা মীওইশিং নুপী পুলিস পর্সনেল কয়া য়াওনা খোঙজং চঙশিল্লম্বশিং মফম অদুদগী তকথোকখি। তুংদা তেংনৌপল দি সী অমদি তেংনৌপল এস পিনা লুচিংদুনা য়ূম, দুকান অমদি হোটেল য়াওনা জে সী বিনা তকথোকপগী থবক চথবা হৌখি।

নাকল অমরোমদা মোরে আই সী পি বাইপাস রোদ ষ্ট্রকচর এন্দ লেন্দ কম্মিটিগী মেম্বর নুপী অমনা পাউমীশিংদা হায়খিবদা তেংনৌপল দি সীনা লুচিংদুনা য়াম্লবা সিক্যুরিটি ফোর্স পুরক্তুনা বাই ফোর্স শীজিন্নদুনা য়ূম থুগাইবগী থৌওং চথরক্লিবা অসি কম্মিটি অসিগী মায়কৈদগী অয়াবা পীখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পেন্দবগী খোল্লাউ কয়া অমসু দি সীগী মমাঙদা লাউখি।

# মণিপুরদগী কোভিদ-১৯ থা ১গী মনুংদা মুখৎনবা য়ু এফ ওনা পাউজেল পীগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : মালেমগী মীয়াম্না কোভিদ-১৯ হায়না খঙনরিবা 'তীনয়েৎনবী লাইয়েৎনবী তীনচুবী লাইচুবী লাইঙম্বী' কৌবী মমাঙগী কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বরদগী খাগি চাইনাগী ৱুহান্দগী হৌরকখিবা লাইচৎ অসি শেল অমসুং মতম চঙদনা অহানবা ওইনা অমুক্তদা মণিপুরদগী থাবুম অমগী মনুংদা লায়না মুখৎনবা য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) না খুঙ্গং লৈকায় খুদিংমক্তা পাউজেল পীরগনি হায়রি।

য়ু এফ ওগী জেনরেল সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) নাওরেম কবিচন্দ্রনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়বদা পাউজেল অসি মথংগী কুমজা ২০২১গী এপ্রিল ১৩ শজিবুগী নোংমা পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী অনৌবা চহী চা হৌগৎলকপগা লোয়ননা লমন লৈতবা লান অমগী অহানবা তাঙ্ককী ওইনা পাঙথোক্কদবনি। পাউজেল পীবা অসিদা ৱর্ল্দ হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না পীরিবা এস ও পি ঙাক্না পাঙথোক্কনি হায়রি।

# কলচরেল য়ুনিভর্সিটিদা ৱারী লীবগী সবজেক্ট অমা দিপার্টমেন্ট ওইনা হাংবীয়ু

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্টকী মৈত্রম অৱাং লৈকায়দা লৈবা থৱালিকোন (থৌথোক-থৌরম ৱা লিশিন কোন) গী সেক্রেটরিনা থোরকখিবা চেরোল অমদা ৱারী লীবা (নেরেটিভ আর্ট) পু মণিপুর কলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী দান্স দিপার্টমেন্টতা পোত্তপ ওইনা নপ্পগা মমিংতগী ওইনা থম্বীরিবসিগী মহুত্তা মপূং ফাবা লোইশঙ অমা ওইনা হাংদোকপীবা মতম ওইরে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরগী ৱারী লীবা হায়বসি ডোক্টরেট কোর্স ফাওবা লৈবা য়াবা অচৌবা মল্টি নেরেটিভ পার্ফোর্মিং আর্ট অমা ওইবগী মতিক চাবা পরমশিং লৈজবা আর্ট ফোর্ম অমনি। মসিগী মতাংদা মমাঙগী কুমজাদা ইকায়খুম্নজরিবা লৈশেন্না সনাজাওবনসু কংলৈ ৱারী লিখল তরেৎ হায়বা থৱালিকোন, আই এস পিনা খুদোলজবা লাইরিক অমা ফোঙখিবসু লৈখ্রে। লোয়ননা কংলৈ নেরেটিভ আর্ট একাদেমি লিংখৎতুনা সিলেবস নাইনা চথবসু হৌখ্রবনি হায়রি।

মণিপুরগীদা নত্তনা মপান লমগী ফুরুপ পূম্নমক্না লমদমসিগী ৱারী লীবগী আর্ট ফোর্ম অসিবু থিজিনবা অমদি তম্বা য়ানবগীদমক কলচরেল য়ুনিভর্সিটিদা দিপার্টমেন্ট অমা ওইনা থম্বীফম থোক্লে হায়রি।

# এস ও পি থুগাইরে হায়বা ৱাকৎতগী কম্মিসননা কেস লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : থা অসিগী ৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা বাই ইলেক্সনগী কেম্পিং, ফ্লেগ হোইষ্টিং য়াওনা সোপিং মোলশিং অমদি মীয়াম তিনবা বিজিনেস এরিয়াশিংদা মণিপুর লৈঙাক্না পীবা কোভিদ-১৯গী এস ও পিগী গাইদলাইনশিং ঙাক্না চৎত্রে হায়দুনা ফোটোগা কোন্ননা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) দা ৱাকৎলকপদগী কম্মিসননা কমপ্লেন্ট কেস অমা লৌখৎলগা কম্মিস্নর (হেল্থ), দিরেক্টর (হেল্থ), ইম্ফাল ৱেষ্ট/ইষ্ট, থৌবাল অমসুং কাংপোকপীগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংদা কেস অসিগা মরী লৈননা খুদক্তা ইনক্বারি তৌরগা মসিগী রিপোর্টশিং থা অসিগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে।

কম্মিসনদা ফাইল তৌরক্লিবা পিটিস্নর অদুগী মমিং দিলিপ ময়েংবম কৌই। থোংজু পার্ট টু ফৈজা লৈতোংদগী লৈখিদ্রবা এন তোমৈগী মচানুপানি। মহাক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী থোংজু পার্ট ৱান অমসুং টুগী ক্লব ১৬কী ফোরম অমগী কো কনভিনরনি হায়রি।

মহাক্কী পিটিসন অসি মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (হেল্থ), দিরেক্টর (হেল্থ) অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট/ইষ্ট, থৌবাল অমসুং কাংপোকপীগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংবু রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা ফাইল তৌরকখিবনি। ৱাকৎ অসিগী মতুংইন্না কমপ্লেন্ট কেস নম্বর ১৬২ ওফ ২০২০ লৌখৎলগা ঙসি কম্মিসনগী এক্টিং চেরপর্সন খাইদেম মনিগী কোরমনা মসিগী প্রোসিদিং পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা রেসপোন্দেন্টশিং অসিদা ইনক্বারি তৌরগা রিপোর্ট পীরক্নবা খঙহনখিবনি হায়রি।

# সী এস আই আরনা আই আর সী এসতা হেন্দ সেনিটাইজর পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী কোভিদ-১৯ লান্থেংনরিবশিংদা লম্ফেল পাৎতা লৈবা সী এস আই আর- নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা লেম্না হেন্দ সেনিটাইজরশিং য়েন্থোরকপগী মখা তারকপদা ঙসি ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি (আই আর সী এস), মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. আর কে নিমাই (রিটায়র্দ আই এ এস) তা ব্রাঞ্চ লেবোলেটরি অসিগী সিনিয়র প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. ঐচ বিরকুমারনা হেন্দ সেনিটাইজর য়ুনিট ৮০ খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# 'ঈ সী আইগী চৎন-কাঙলোন খুদিংমক থুগাইরে'

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : ৱাংজিং তেন্থা এসেম্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মরক্কী মীখলসিদা বি জে পিগী কেন্দিদেট ওইরিবা রিজাইন এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী চৎন-কাঙলোন খুদিংমক থুগাইরে। ইলেক্সন অসিগা মরী লৈননা চাদিং তৌবা য়ারিবসি শুপ্নতগী লুপা লাখ ২২ খক্তনি হায়বসি ময়েক শেংনা ইরি। অদুবু পি ব্রোজেননা লোগী ৱাংমদা দবল হেন্না এক্সপেন্দিচর তৌরে হায়না আই এন সীগী কেন্দিদেটসু ওইরিবা এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম হেমন্তনা হায়খ্রে।

মোইরাংথেম হেমন্তনা ঙসি মীদিয়াদা থাদোরকপা ভিদিও অমদা মহাক্না হায়, মালেমদা অমুক্তা তৌনদবা মওংদা পাওনম ব্রোজেননা ফিরাল মখল অনী হন্দক্কী মরক্কী মীখলসিদা মহাক্কী মীওইশিংদা য়ুংহল্লি অদুগা ইশা ইশানা য়ারগা য়ুংখৎচরিবনি হায়দুনা য়ূম্লুগী খূৎয়েক মাঙজৌননা লৌরি হায়রদুনা অহানবা ফিরাললনা বি জে পিগীনি অদুগা অনীশুবা ফিরাললনা 'ৱি সপোর্ট পি ব্রোজেন' হায়না থাবা ফিরাললনি হায়খি।

হেমন্তনা মখা তানা হায়খিবদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর থৌবালনা ওক্টোবর থাদা থোকখিবা নোটিশ অমগী মতুংইন্না রেটস ওফ আইটেমস ফোর য়ুজ ইন দ ইস্যুয়িং বাই ইলেক্সন টু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লি ইলেক্সন হায়রিবা চৎন-কাঙলোন অসি পি ব্রোজেননা থুগাইরে। মহাক্না য়ুংলিবা ফিরাল খুদিংমক মরী লৈনবা ইলেক্সন ওবজার্ভরশিংনা ফিজিকেল কাউন্ট তৌগদবনি অমসুং এক্সপেন্দিচর রিফ্লেক্সন তৌগদবনি। মসিগী মতাংদা রিটর্নিং ওফিসর ৩৪-ৱাংজিং তেন্থা এ সী অমদি দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর থৌবালদা ফোর্মেল কমপ্লেন্ট অমা সবমিট তৌখ্রে। ঈ সী আইনা পীবা এক্সপেন্দিচর লিমিট লাখ ২২দগী দবল হেল্লে হায়বগী চিংনবা লৈরে। ফিরালগী এক্সপেন্দিচর নোমিনেসন ফাইল তৌবা নুমিত্তগী দেলি বেসিসতা হোৎকদবনি। মহাক্না বি জে পিগী কেন্দিদেট ওইরিবা অসি কেস তৌবা য়ারবনি হায়রদুনা ৱাফম অসি ঈ সী আইগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না হায়বনি হায়খি।

# চেঙ্গুম থাবগী ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : নাগামপাল, রিমস রোদতা লৈবা রামা ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১দা মোইরাংকম্পু ময়ায় লৈকায়দা চেঙ্গুম থাবগী মতাং (কলটিভেসন ওফ মসরুম টেক্নোলোজি) দা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

প্রোগ্রাম অদু বামোন কম্পু নুপী থৌদাং লূপকী কে ঐচ খম্বী, থোকচোম সনাথোই অমসুং মোইরাংথেম থোইবীনা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইদুনা পাঙথোকখিবনি। মসিদা রিজনেল এচিভর এৱার্দি ফংলবা সোরাম রাজেন্দ্র কুমারনা সাইন্টিফিক ওইবা পান্বে শীজিন্নদুনা চেঙ্গুম থাবা, চেঙ্গুমদা তাবা লায়না-তীলনা, হু চেনবা চেঙ্গুম অমসুং চেঙ্গুমশিং য়োনবা অমসুং মসি থানবগীদমক শেঙ্গং পীবগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা হেল্থ চেক-অপ এৱ্যের্নেস অমসু পাঙথোকখি। লোয়ননা নিংঙোল লৈমা সেল্ফ হেল্প কৌবা লূপ অমসু শেমখি হায়রি। কনাগুম্বা লন্নাই মীওই/ওর্গনাইজেসন/সেল্ফ হেল্প গ্রুপ নৎত্রগা ফার্মরস ক্লবশিংনা চেঙ্গুম থাবগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবীনীংলবদি রামা ফাউন্দেসননা মতম চূপ্পদা মতেং পীননবা থৌরাং তৌদুনা লৈরি হায়বগা লোয়ননা ফাউন্দেসন অসিগী কন্টেক্ট নম্বর ৮৭৮৭৭৩৪৪৫২দা ফোন তৌবীরকউ হায়রি।

# অন্দ্রো পার্কিংদা নিংঙোল চাক্কৌবগী ঙা য়োনবা য়াগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : নেসনল এসোসিএসন ওফ ফিশরমেন মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী থৌ পুবা অমসু ওইরিবা এক্স মিনিষ্টর হাওবিজম কাংজাম্বনা থোরকখিবা চেরোল অমদা নিংঙোল চাক্কৌবগীদমক অন্দ্রো পার্কিংদা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন পূম্নমক ঙাক্তুনা ঙা য়োনবা য়াগনি হায়রি।

মহাক্কী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা মণিপুরদা ঙা য়োল্লগা নিংঙোল চাক্কৌবগীদমক য়োন্দুনা শেন্দোং তাঞ্জগদবা ফিশ ফার্মরশিংগী মহুৎ শিন্দুনা ফিশরি লোইশঙগী দিরেক্টর উননবা চৎলুবদা অয়াবা পীরকখিদে হায়রি। লোয়ননা থা অসিগী ১৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা কুম্মৈ অসিগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মহৌশাগুম ঙাগী মেলা পাঙথোক্তুনা অথোই অহেন তান্নবা অদুসু পাঙথোক্কনি হায়বগী পাউ লৈত্রি হায়রি।

করিগুম্বা ঙাগী মেলা অসি পাঙথোক্তব্রবদি লমদমসিগী মীয়াম্না থৌরম অসিগীদমক মপান্দগী পুশিল্লকপা উন হাপ্পা ঙাশিং মরাং কায়না য়োন্নরক্কনি। অদুবু হায়রিবা মখল অসিগী ঙাশিং চারগা মীওইশিংগী হকচাংদা কান্নগদবসু নত্তে হায়রি।

# হায়কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা এম এস পি দি সী এলগী...

*লামায় ১গী মখা...* থবক তৌরক্লিবশিংনা ৱাকৎলকপদগী হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদগী অয়াবা য়াওদ্রবদি কম্পেনিশিং অসিগী এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র (ইলেক্ট্রিকেল)দগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র (ইলেক্ট্রিকেল) অমসুং ঈ ঈ (ইলেক্ট্রিকেল)দগী সুপরিন্টেন্দিং এঞ্জিনিয়র (ইলেক্ট্রিকেল)দা প্রমোসন পীবদা অথিংবা থমখিবনি।

হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলক্লিবা পিটিসনরশিং অসি হৌজিক কম্পেনিশিং অসিদা এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র (এ ঈ)গা মান্নবা থাক্কী মেনেজর (ইলেক্ট্রিকেল)শিং ওইনা থবক তৌরিবশিংনি।

ৱাকৎ অসিগী পিটিসনরশিংনা লিলোং চজিং মমাঙ লৈকায়দগী লাইরেনলাকপম পোইরৈতোন মৈতৈ (২৯), অপোকপা এল বিপিন, তেন্থা খুনৌ মনিং লৈকায়দগী মোইরাংথেম শ্রীকান্ত (২৯), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম মঙ্গি, কংলা সিফাইদগী শিজগুরুময়ুম সন্তোশ (৩৩), অপোকপা এস ঐচ সনাখোম্বা, খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকায়দগী উশম রোক্কি (২৯), অপোকপা লৈখিদ্রবা কুমার, মাইরেম্বম লৈকায় সেন্দ্রা রোদতগী রাজকুমার রোবিন্সন (৩৩), অপোকপা আর কে শুরচন্দ্র, পোইরৌ খোংজিলদগী কোন্থৌজম বিনোয় (৩২), চিংমৈরোং মনিং লৈকায়দগী নাকম্বম প্রিতম (২৮), অপোকপা এন রাজধোন, সেনাপতিগী তুমুয়োল খুল্লেন ভিলেজদগী কপুইপি পাল (২৮), অপোকপা পুংদিং এ, তদুবীগী সরানামাই ভিলেজদগী খুভৈও দেবিদ (২৭), অপোকপা দেবিদ পুনি অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী তিন্সিদ রোদতগী ঙম্বোই ভাইফৈ বাইটে (৩০), অপোকপা থোথাং ভাইফৈ বাইটেনি।

অপূনবা পিটিসনর ১০ অসিনা হায়কোর্টতা ফাইল তৌরক্লিবা পিটিসন অদুগী নম্বরনা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর- ৫৫৯ ওফ ২০২০ নি। সিভিল রিট পিটিসন অসিনা প্রিন্সিপাল রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা কম্মিস্নার/সেক্রেটরি (পাৱর), কম্মিস্নার/সেক্রেটরি (দি পি), এম এস পি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং এম এস পি দি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টরনি। অদুগা পিটিসন অসিগী প্রোফোর্মা রেস্পোন্দেন্টনা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (এম পি এস সী)গী সেক্রেটরিনি।

পিটিসনরশিংনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা দিসেম্বর ২, ২০১৫ দা এম পি এস সীনা লৈঙাকসিগী এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টশিংগী এঞ্জিনিয়র খরগী দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট লৌনবগী এপ্লিকেসনশিং কৌবা এদভর্টিজমেন্ট অমা থোকখি হায়রি। এদভর্টিজমেন্ট অদুগী মতুংইন্না এম এস পি দি সী এলগী এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়রগা মান্নবা মেনেজর (ইলেক্ট্রিকেল) গী পোষ্ট ১০গীদমক কেস অসিগী পিটিসনরশিংনা এপ্লায় তৌখি। লোয়ননা রুলগী মতুংইন্না রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস পাঙথোল্লগা পিটিসনরশিং অসিবু কম্পেনিসিগী মেনেজর (ইলেক্ট্রিকেল)শিং ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখি হায়রি।

অদুবু কম্পেনিশিং অসিনা মণিপুর ষ্টেট ইলেক্ট্রিসিটি রিফোর্মস ট্রান্সফর স্কিম, ২০১৩গী ক্লোজ ৫(৯)(দি) ইমপ্লিমেন্ট তৌদবদগী দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্টশিংগী 'সর্ভিস কন্দিসন ওন প্রমোসনেল এভেন্যু'শিং লৈতবগী খুদোংচাবা লৌরগা এম এস পি দি সী এলগী সেঙ্কসন পোষ্টশিংবু হান্না ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট, মণিপুর হায়রম্বদগী এম এস পি দি সী এলদা থবক তৌরিবশিংগী মরক্তগী অঙম্বা পান্বেশিং পুথোক্লদুনা হাপচিনখ্রে হায়রি। হায়রিবা থৌওং অসিসু হৌজিক এম এস পি দি সী এলদা দেপ্যুটেসন্দা থবক তৌরিবশিংগী রিক্রুটমেন্ট রুলস, ১৯৮৬ কী কলম নম্বর-(১১)দা য়াওরিবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না রিলাক্সেসন পীরগা পাঙথোকপনি। মরম অসিনা ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট, ২০০৩গী সেক্সন- ১৩১ অমসুং ১৩৩ গী মখাদা ফোম্যুলেট তৌরবা মণিপুর ষ্টেট ইলেক্ট্রিসিটি রিফোর্মস ট্রান্সফর স্কিম, ২০১৩গী ক্লোজ ৫(৯)(দি) চৎনহনবীনবা দিরেক্সন পীবীয়ু। ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট, ২০০৩গী চৎনবা য়াবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর (ইলেক্ট্রিকেল), জেনরেল মেনেজর (ইলেক্ট্রিকেল অমসুং এগজিক্যুটিভ দিরেক্টরনচিংবগী হায়র পোষ্টশিংদা প্রমোসন পীনবগী 'রুলস এন্দ রেগ্যুলেসন্স ওন সর্ভিস কন্দিসন্স ফোকসশিং ওন প্রমোসনল এভেন্যু' শেমদুনা চৎনহনবীয়ু হায়বসিনি। কেস অসি ঙসি জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর-১দা লিষ্ট তৌখ্রে।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিসনরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল এম দি অজমল হুসেননা এসিষ্ট তৌখি।

সিনিয়র কাউন্সেলনা সবমিট তৌবা ৱাফমশিং কোর্টনা তারবা মতুংদা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা থা অসিগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিশশিং ইস্যু তৌখি। কোর্টনা ইস্যু তৌরবা নোটিশ অসি রেস্পোন্দেন্ট নম্বর- ১ অমসুং ২গীনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট টি ঐচ ভাশুমনা লৌখি। অদুগা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর- ৩ দগী ৫ ফাওবগী পিটিসনরশিংগী কাউন্সেলনা স্পিদ পোষ্টতা থানবগী থবক লৌখৎনবা দিরেক্সন পীখি।

লোয়ননা কোর্টনা মরক্কী ওইনা পীখিবা ওর্দর অমদা এম এস পি দি সী এলগী এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র (ইলেক্ট্রিকেল) দগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র (ইলেক্ট্রিকেল) অমসুং ঈ ঈ (ইলেক্ট্রিকেল)দগী সুপরিন্টেন্দিং এঞ্জিনিয়র (ইলেক্ট্রিকেল) গী প্রমোসনশিং কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা পীবা য়ারোই হায়নসু খঙহনখি।

# বি জে পিগী লৈঙাক লৈরিবমখৈ...

*লামায় ১গী মখা...* ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী অপাম্বা ৱাফম প্রাইম মিনিষ্টরনা হংলগা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংবু ঙাক্লৌ পীগদবা ইন্নর লাইন পর্মিট (আই এল পি) পীরকখ্রে। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসি লাকপদগী হৌজিক্তি ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা পুরকপগা লোয়ননা চাউখৎ লম্বীগী মাঙলোমদা চঙশিল্লক্লি।

ৱাঙ্গৈাই এ সীদা মীরেপ ওইরিবা ও লুখোই চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা মিনিষ্টর অমা ওইনা হাপ্পুনা লৈরি। মসিগুল্লবা রেদিমেদ মিনিষ্টর ওইনা লৈরবা ওইনাম লুখোইদা ভোট পীদনা চৎনখিদ্রবা শেলয়েক্কা পাঙ্খক ওইরবা কোংগ্রেসকী মীরেপ নৎত্রগা লৈবাক অসিদা মমিং ফাওবা তাদবা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা নেসনল পিপলস পার্টিদা ভোট পীরুবগী কান্নবা লৈরোই। মীয়াম্নসু ৱাঙ্গৈাই এ সীদগী মরক্কী মীখল অসিদা মীরেপ ওইরিবশিং অসিগী মনুংদা কনানা খ্বাইদগী ফবা মীরেপ ওইরিবগে হায়বদু খন্থবীয়ু। ৱাঙ্গৈাই এ সীখক নত্তনা মণিপুরগী য়াইফনবগীদমক থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা ঙম্লগদবা ও লুখোইদা ভোট পীবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, এম এল এ, মিনিষ্টর ওইনবগীদমক মীরেপ ওইদুনা মীখল থেংনরিবনি। অদুবু ৱাঙ্গৈাইদদি হৌজিক হৌজিক মিনিষ্টর ওইদুনা লৈরিবা ও লুখোই মীরেপ ওইদুনা মীখল থেংনরিবনি। মরম অদুনা মহাকপু মখা তানা মিনিষ্টর ওইনা লৈহনগে হায়বসি ৱাঙ্গৈাই এ সীগী মীয়ামগী খুৎতা লৈরে। ও লুখোই য়াওনা কোংগ্রেসতগী কারকখিবা এম এল এ ৫না রিজাইন তৌখিবা অদু তমথিরবা কোংগ্রেস লৈঙাক্তগী মণিপুরবু কন্ননবগীদমক্তনি। মহাক্না লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিবু কন্ননবগীদমক লৌখিবা থৌদাং অদুবু শীংথারদুনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমদি বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্টনা রিৱার্দ ওইনা মিনিষ্টরগী ফম পীরকখিবনি। কোংগ্রেস মীরেপতগী বি জে পিগী মীরেপ ও লুখোইনা ভোট মশীং হেন্না ফংলগনি। এন পি পিনা চৎনবা য়াদ্রবা পার্টিনি। মীয়াম্না থাজবা থম্বীগনু। পাৱর পাম্বা, লৈঙাক অসিবু থুগায়নবা হোৎনবশিংদগী ষ্টেট অসি কনসি। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিবু শৌগৎপা মীয়ামগী ঈহৌ অমা লাকপা হৌরবনি। বি জে পিগী মীরেপশিংবু মায় পাকহন্দুনা মীয়ামগীদমক য়াইফনবা থৌদা কয়া লৌরিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিবু মপাঙ্গল কলহনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং অমদি বি জে পিগী মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# লৈঙাক্না লাউথোকপা এস ও পি...

*লামায় ১গী মখা...* মহাক্না হায়খি, কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা খ্বাইদগী শোকহনবা অসি লমদম অসিনা ওইরমগনি হায়না মীয়াম্না পান্নরি। নোংম-নোংমগী শিবগী মশীংসু হেনগৎলক্লি। মসি লৈঙাক অসিনা থওইদবদগীনি। লৈঙাক অসিনা লায়না-লাইচৎ অসি মতৌ করম্না লাকশিনগনি হায়বা খঙদবগুম তৌরে। হৌজিক থেংনরিবা খুদোংথিবা অসি মখা তানা অসুম চথুরবদি মণিপুরগী ফীভম করি ওইরক্কনি হায়বসি লৈঙাক্না খন্থবা চুমগনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লায়না-লাইচৎকা মরী লৈনবা এস ও পিশিং মীয়াম্না ঙাক্না চৎলু হায়না ঙাইহাক লৈতনা লাউথোক্লি। অদুবু বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবশিং অমদি মখোয়না শৌগৎপা মীরেপকী মীখলগী কেম্প্যেনশিংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি মিনিষ্টরশিংনা শরুক য়ারবসু এস ও পি ঙাক্না চৎপা উদে। মীয়াম্না চহী ৫ মীয়ামগী থৌদা য়ারুরো হায়না থাগৎলকপা মীহুৎশিংনা খাংতপতা মীয়াম তানদনা এম এল এ ফমদগী রিজাইন তৌথোকখিবা অসিদি হিরোনি হায়রি। এম এল এ ফম থাদোল্লগা মীয়াম্বু লায়না-লাইচৎ মরক্তা পুথোক্লিবা মীওইশিং অসিবু হিরোনি হায়বসি তাবদা নোক্লিংই। মখোয়গী থৌওং অসিদি অহল-লমননা হায়নবা অউবনা ঈকায়রে হায়বদুগা চপ মান্নরে। ইলেক্সন কেম্প্যেন চৎপদসু লান চৎপগা চপ মান্নরে। এম এল এদগী রিজাইন তৌখ্রবশিং অসি মীয়াম্নদি খারবনি। বি জে পিনা চথুরিবা থৌওংশিং অসি মখা তানা অদুমক চথবা তারবদি মণিপুর অসি অমম্বা খুন্নাই অমা ওইরক্লগনি। মসি মীয়াম্না হেন্না খঙই। অসিগুম্বা কয়া অসি য়েংলগা কোংগ্রেসতা ভোট পীবীদুনা মীয়াম্বু য়াইফনবা খনবা লৈঙাক অমুক লাকহল্লসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা এ আই সী সীগী মণিপুর ইন-চার্জ অমসুং হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভক্ত চরন দাসনা হায়খি, বি জে পি লৈঙাক অসিনা থবক ফংদবগী অৱাবা কোকহনবদি লায়রদনা নহা ওইরিবা পুন্সি কয়াবু শান্নরি। মসিদসু নত্তনা তোঙান-তোঙানবা দ্রাকোনিয়ন এগ্রিকলচরেল লোশিং শেমদুনা লৌমীশিংগী পুন্সিবুসু শান্নরি। বি জে পি লৈঙাক অসিনা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস (এম এস পি) লোশিং মুখৎতুনা কোর্পোরেট হাউসশিংবু য়োকখৎলি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি কোভিদ-১৯গী মতাংদা ফেল ওইরে। ষ্টেট অসি পর্মিনেন্ট ওইবা হেল্থ মিনিষ্টর অমা থমদনা মতৌ করম্না লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংনবগী থবকশিং পায়খৎলিবনো। ঙরাং খক্তদসু মণিপুরদা মীওই ৯ শিখি। মতৌ অসিমক্তি মণিপুর মীয়ামগীদমক লাইবক থীবনি। লৈঙাক অসিনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ১২ হাপখিবা অদুসু হায়কোর্টনা ইল্লিগেল ওইনা হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। হীরমসিগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন্নসু হৌজিক ফাওবা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা রেস্পোন্স তৌদনা লৈরি। লৈঙাক অসিনা দিমোক্রেসিগী ৱাহম্থোক লৈহন্দ্রে। মরম অসিনা ৱাংজিং-তেন্থা, ৱাঙ্গৈাই, লিলোং অমসুং সাইটু এ সীগী মীয়াম্না লাক্লিবা মরক্কী মীখল অসিদা কোংগ্রেস পার্টিদা ভোট পীবীয়ু। কোংগ্রেস পার্টিদি মতম পুম্বদা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক লেপখিগনি। কোংগ্রেসনা মতম চুপ্পদা কনষ্টিট্যুসন অমদি মীয়ামগী রাইটশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা ঙাক্তুনা থমগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট এম ওকেন্দ্রোনা হায়খি, কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ মরক্তা এম এল এ ফমদগী রিজাইন তৌথোল্লগা মরক্কী মীখল পাঙথোকহনবসি মতম চাত্রা। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ফীভম অসি কনানা ওইহল্লকপনো। মরক্কী মীখল অসিনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি হেন্না শাথিবা ফীভম অমদা লাকহল্লক্লবদি মদুগী থৌদাংনা কনানা লৌগদৌরি। মীয়াম্না ৱানরবা মতমদা পোলিটিকেল গেম শান্নরিবা বি জে পিনা পুথোকপা মীরেপশিংদা ভোট পীবীগনু। কোংগ্রেসনা পুথোক্লিবা মীরেপশিংদা ভোট পীবীদুনা চাউখৎপা অমদি মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মশীং...

*লামায় ১গী মখা...* থমখিবগা লোয়ননা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবকশিং পায়খৎলি।

পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ৭, রিমসতা ১০, ইম্ফাল ইষ্টতা ৫, রাজ মেদিসিটিদা ২৩, হিলসাইদতা ২, সমারিতনদা ১, শিজ হোস্পিটালদা ৮, মাদরস ক্যেরদা ৩, জিবন হোস্পিটালদা ১, এদভান্স হোস্পিটালদা ২, আর দি ৱিংদা ৬, পব্লিক হোস্পিটালদা ২, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৬, কাংপোকপীদা ২, বিষ্ণুপুরদা ১২, থৌবালদা ৬, চুড়াচান্দপুরদা ৩, তমেংলোংদা ২৭, তেংনৌপলদা ১, নোনেদা ১, ককচিংদা ২, কামজোংদা ৩ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১৭ থেংনখিবনি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মীওই মরিসু লৈখিদ্রে। লৈখিদবশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্টতগী মশাগী চহী ৬৫ শুরবী নুপী অমা, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৪৯ শুরবা নুপা অমা, থৌবালদগী মশাগী চহী ৭৫ শুরবা নুপা অমা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৭১ শুরবা নুপা অমনি। মীওই মরি অসিগী মনুংদা ১না শিজদা অদুগা অতোপ্পা ৩না রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদবনি। লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী ওইনা পুন্না লৈখিদবা মশীং অসি ১৮৪ শুরে।

নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা অপূনবা কেস মশীংনা ১৯,২৪১ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৬,৪৫৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৭৮৮নি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ১৫,৪৬০ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১২,৯৮৮ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৪৭২ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৮০.৩৪ ওইরি। অদুগা কেস ৩৫৯৭না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩২৮৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩১২ নি।

লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলক্লবা মীওই ১১৭ সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে। দিসচার্জ তৌখ্রবশিং অদুদি হোম আইসোলেসন্দা লৈরকখিবা মীওই ২৯, সী এ পি এফকী ১০, জেনিমসতগী ৫, রিমসতগী ৭, এল কে কেদগী ৯, য়ুনাক্যোদগী ১৪, লানভাদগী ১, পি আর ককচিংদগী ১০, জে এন ভি চান্দেলদগী ২, থৌবালদগী ৬, লমদিংদগী ৪, আর দি ৱিংদগী ১৪, বিষ্ণুপুরদগী ৪ অমসুং বালভবনদগী ৩ নি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।